হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জুলাই ২১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১১৬শুবা মশীং

# মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন

## মপূং ফাহল্লু হায়দুনা ৱাকৎলকফম থোকপ্রা

হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লৈঙাকসি 'সিটিজেন সেন্ত্রিক গভর্ণমেন্ট' নি হায়দুনা তোয়না হায়। হেক থংনবা মমাঙগী লৈঙাক্কুগী মতমদসু অদুম্মক হায়খি। হায়খিবগী মতুংইন্না য়াম্না ফোংনা অমসুং ময়েক লানা ৱাফমসিগী মশক-মচু থোক্লা উবা ফংদ্রিবা ওইরগসু খরদি তৌরকপা মাল্লি। দিস্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা 'মীয়ামগী নুমিৎ' অমসুং 'হিল লিদরস দে' গী থৌরম ফাওবদি পাঙথোক্লবা হৌখ্রে। অদুবু থৌরমশিংসি পাঙথোকপনা লৈঙাকসি সিটিজেন সেন্ত্রিক ভগর্ণমেন্ট অমা মপূং ফানা ওইহল্লব্রা? ওইহনবা ঙম্নব্রা হায়বগী ৱাহং ফাওবদি হংলকপা য়ারবনি। অদুম ওইনমক ওইহনগনি হায়বগী লিক্লমদা চঙশিল্লক্লিবনা ৱাহংসিগী পাউখুম প্রপ-প্রপ তকশিল্লুবা চুমখিরোই। অদুবু পীকচরবসু কনফ্লিক্ট সিচ্যুএসনগী ফীভম মায়োক্নরিবগী মথক্তা মখল কয়াগী থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্লিবা ষ্টেটসিদবু মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) গী ওইহনফম থোকপা মশক ওইহন্দ্রে হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলকফম থোকপ্রা? কম্মিসনগী তঙাইফদনা মথৌ তাবা মেম্বর (জুদিসল) অমগী পোষ্ট য়াওনা অহাঙবা ফমশিং মেনশিনগনি হায়দুনা নোটিফিকেসন থোকখ্রবসু হাপচিন্দ্রে হায়না লো কোর্টকী মতেং লৌরকহনফম থোকপ্রা? হৌজিক লৈরিবা কম্মিসন অসি প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী মখাদা অদুঙৈ কুমজা ১৯৯৮গী জুন ২৭তা লিংখৎখিবনি। অহানবা হৌদোরকপদদি কম্মিসন অসি চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বরশিং এপোইন্টমেন্ট পীদুনা হাপচিনখি। পাঙথোকহনফম থোকপা থবক-থৌরমশিং পাঙথোকহনখি। অনীশুবা কম্মিসনগী টর্মসু কুমজা ২০০৫গী মে থাদগী হৌরগা কুমজা ২০১০গী মে থা ফাওবা মথৌ পাঙথোককখি।

অদুবু অনীশুবা টর্ম লোইশিনখিবদগী চহী ৮ লোম পুমশি শিদুনা থল্লকখিবা কম্মিসন অসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখিবদগী কুমজা ২০১৮গী ওগষ্টতগী নৌহৌননা অমুক হিঙ্গৎহল্লকখিবনি। অদুবু চহী ৮ কান্নহল্লম্লবা মতুংদা নৌহৌননা লৈহল্লকখিবা অহুমশুবা কম্মিসনগী টর্মসু মথং থাদা লোইরগদবনি। অদুবু অসুক শাংলবা চহী ৫গী টর্ম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা মসিগী মেম্বর ওইনা খনখিবা সিনিয়র এদভোকেট অমবু এক্টিং চ্যেরপর্সন ওইনা থবক পুহল্লকখিবা নত্তনা মথৌ তাবা মেম্বরশিং মশীং শুদ্রবা ফাওবদা অমা খক্তা ওইরবা ফাওবা হাপচিনখিদে। অৱাৎপা ষ্টাফশিং হাপখিদে। মসিগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা পীটিসন অমা ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলকপনি। থৌওংসিদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুম্নিংঙাইনি। লৈঙাক ৱায়েল থৌদাগী থবকপুনা মীয়ামগী গ্রিভান্সেসশিং তাগদৌরিবা কম্মিসনবু শোয়নাইহন্দুনা থল্লকপদি অচুম্বা খোঙথাং ওইগদৌরিব্রা হায়বগী ৱানি। ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদগী নোবোকিশোর কৌবা মীওই অমনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল অসি জুলাই ১৫, ২০২২দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। পিটিস্নরগী মহুৎ শিনবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসন তারবা মতুংদা পিটিসন অসিগী ওফিসল রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর (লো) অমসুং কম্মিসন অসিগী সেক্রেটরিদা মথং থাগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে। কেসসিগী ৱায়েলদি পাউখুমশিং পীনরক্কদবা নুমিৎসিদা অমুক হন্না লিষ্ট তৌগদৌরিবা অসিনা অরোইবসু ওইদবা য়ারি। রেসপোন্দেন্ট অহুম্মক্কী পাউখুমশিং এফিদেভিটকী ফোর্মদা পীখৎনরকখিগনি। কোর্টনা পীরিবা মতমসিগী মনুংদা শুনা পীরক্তবসু য়াই। পীখৎলক্লবগী মতম খরগসু পীবিনবা প্রেয়র তৌনরকপসু য়ারি। কেসসি দিস্পোজ তৌনবা হোৎনবদা অশাংবা মতম চঙলকখিবসু য়ারি। অদুবু কম্মিসন্দদি হৌজিক হৌজিক মথৌ তারিবা পোষ্টশিং অসিদি কোর্টকী ফাইনেল দিস্পোজল ঙাইদুনা লৈগদ্রা হায়বগী ৱাফম থোরকই। মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন ফাওবদি মপূং ফাহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **"কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **"য়াথং"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **"লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।"** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **"মৈ চঙলবা চেক"** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৮৭

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

লীলা তৌবা হায়বসি নুংঙাইখ্রবা পুন্সিগী খোঙচৎ অমনি, অদুগা মসি অমরোমদা লানফমদা চঙলিবা খূৎলায় পায়বা লান্মী অমগুম্বনি। লান হায়রগা মুক্লবগী, লৈবাক অমনা লৈবাক অমদা লান্দাবা নৎত্রগা কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগগী মরক্তা থেংনরিবা খেন্নবা ৱাখল্লোনগী অঙম তান্নবদু নত্তে। খুন্নাই অমদি মীয়ামগী পুন্সিদা নুংতিগী থেংনরিবা, হকথেংনবা নৎত্রগা নাকোয়নবা পুন্সিগী তান্থা, হায়বদি পুংফম কায়দনা চৎলিবা মতমগী খোঙচৎতা য়াতিন্নরিবা ৱাখলগী, পূক্নিংগী, থম্মোয়গী ওইবা ফিলোসোফিকেল এস্পেক্ট, হিংননবা হোৎনবদা থেংনরিবা মহিং, সোসল, পোলিটিকেল, ইকোনোমিকেলনচিংবা ফীভম কয়াদা ওইখিবা, ওইরিবা অমদি ওইরক্কদবা কয়াদা নৈনদুনা মীয়ামদা পাউজেল পীবনি। পাউজেলগী শরুক্তগী হেন্দোক্তুনা কায়থরল্লিবা পুন্সিরোল অসিগী শেমজিন শাজিন্নবা ৱাখলগী মচিঞ্জাক অমা পীবা মখলগী ইন্টরটেনসু ওইবা, থোট প্রোভোকিংসু ওইবা, লুরবা ৱাখল্লোন পুবা কুম্মৈ মথেল অমনি। মসিদা শাগোন্নরিবশিংনা কয়া য়াম্না লুনা লৌবগে হায়বা অদুমদি য়াম্না নাখৈ শেংবা অমা মথৌ তারি। খুন্নাই অসিবু য়েংলিবশিংগী মীৎয়েংদা ঙসিমক ওইরল্লিবা, হোংলল্লিবা সোসিও-ইকোনোমি, সোসিও-পোলিটিকেল, সোসিও দিভেলপমেন্ট কয়া অসি তুনা তুংলমচৎকী খল্লগা নিংদোন পোম্বা কয়া অমা লৈরি। তুংলমচৎকী মীরোলনা মাঙলমচৎকী মীরোলবু তাথী-তাওইনা তৌরল্লনি হায়বগী ৱাফমশিং চেকশিন্না থল্লিবনি। মরমদি ঙসিদি খুন্নাইগী হোংলল্লিবা মশক অসি পল্লেপফম লৈতবা, পন্থুংফম নাইদবা অমগুম অমম্বা গুহানুংদা তাশিনবা য়াবগী খোঙচৎ অমা ওইরল্লগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরিবনি। পূম্নমকশিং অসি য়েংলুরগদি, শুমাং লীলানা খূৎলায় অমা ওইরগা কদাই ফাওবা, কানবা য়াবগে, কদাই ফাওবা ঙাকথোকপা ঙম্বগে হায়বা অদুগী অকনবা চাংয়েং অমগী লাঞ্জং অমনি হায়বসিদা য়েৎননীংঙাই লৈতে।

কিন্থরল্লিবা ফীভম কয়া অসি মায়কৈ কয়াদগী ঐখোয়না চেকশিনগদবা লৈরি। মসিগী মনুংদা মোরেলিটি, সোসিএলিটি, এদ্যুকেসন, পোলিটিক্সকী অকূপ্পা কাঙলোনগা লোয়ননা মীয়ামদা ইন্টরটেন তৌরিবা কুম্মৈ মথেলশিংদা শরুক য়ারিবা পূম্নমকশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈরি। মসিগী মনুংদা শুমাং লীলা হায়বা অসিসু অচৌবা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াই। মালেমগী অঙৈং অশা খেন্নরকপদা লৈখিদ্রবা মালেম শিনবা থুংনা ফাওখিবা মাইকেল জেক্সননা মহাক্কী ঈশৈ কয়ানা মীয়ামগী ৱাখল্লোনবু গ্লোবেল ৱার্মিংগী, ইনভাইরনমেন্টল চেঞ্জেস কয়াগী পাউজেল পীদুনা অনৌবা আইদিয়া কয়া পীখিবদু নীংশিংবা য়াই। মহাক্তা নত্তনা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট কয়া কয়ানা মশা মরন্নাই ওইনা চোংথোরক্তুনা মীয়ামগী অমদি তুংলমচৎকী য়াইফনবা হোৎনখিবা কয়াগী থৌদাং অদুসু খূৎ থেক্তুনা নীংশিংবা য়াই। শুমাং লীলাদি মীয়ামগী ঈহুল অমদি মীহুল খঙনা মীয়ামগা লোয়নবা মখলগী পার্ফোমিং আর্ট অমনি। মসিনা মীয়ামদা মখল মথেল কয়াগী কান্নবা পীদুনা লাকখ্রবনি। মতম মতমগী ওইবা ফীভমদা মীৎয়েং থমদুনা শুমাং লীলানা মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীদুনা লাক্লি।

ৱাফমশিং অসি ঐহাক্লা লীলা তৌরিঙৈদা য়াম্না চেকশিন্না লৌখি। মরম অদুনা মীয়াম্বুসু চপ চাবা ইন্টরটেনমেন্ট পীবগা লোয়ননা অনৌবা আইদিয়া কয়া পোকহনবা য়াবা হীরমশিংদা লীলা পুথোক্লবা কন্না হোৎনখি। পাল্লিবা পান্দম অদু খরগী মখৈদি মায় পাকখি হায়না খল্লি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐগী লীলা পার্টিশিংগসু তোয়না খন্নে, মখোয় মখোয়গী পামজবা আইদিয়া কয়া অমসু ফোঙদোক্লখি। অদুগুম্বা মখল কয়াগী আইদিয়া অদু তাশিন খোমজিন্দুনা মনখৎপা য়াবা মনখৎলগা অনৌবা প্লে পুথোক্লবা মীৎয়েং থমজখি। লালহৌবগী মতাংদা করিগী লান হৌরিবনো, লান হৌবগী তঙাইফদবা লৈবরা, লাল হৌবশিং অমদি মীয়ামগী পুন্সিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাখল্লোন, ষ্টেট এক্টর অমদি নন ষ্টেট এক্টর অনীগী মুক্লবনা মীচম মীয়ামদা ওইহল্লক্লিবা পুন্সিগী মশক, মদুনা পীরিবা চৈথেং, মদুনা ওইহল্লক্লিবা সোসল চেঞ্জেস কয়া অদুগী মতাংদা মথেল কয়াগী ৱারী পুশিন্দুনা অনৌবা আইদিয়া পীবা ঙম্বা লীলাশিং পুথোকপদা মীৎয়েং থমখি। মদুগীদমক ষ্টেট এক্টরশিংগী মায়কৈদগী অকনবা মীৎয়েং য়েংলকখিবগী ৱারী কয়া অমসু লৈখি। মদুগী মনুংদা, মতম অমদা পুলিস কম্মান্দোশিংনা ঐহাক্কী পুন্সিগী খোঙচৎ কয়া য়েংশিনখিবগী মতাংসু লৈখি। লালহৌবগী লীলা শান্নরগা লাল হৌবগুম্বা অমনি হায়না খল্লকখিবা মখোয়গী ৱাখল্লোন কয়া অদুসু অঙকপা পোকখি। ঐখোয়দি মতম মতমগী ইস্যু বেজ তৌবা ৱারী থিবা তাবনি, ৱাখল মীৎয়েং য়েংবা তাবনি। মীয়ামগী মীহুল খঙনা লীলা পুথোকখিবনি। লালহৌবসু য়াম্না চৈখি। মখোয়গী অহেনবা থবক কয়া ক্রিটিসাইজ তৌখি। মদুগীসু লালহৌবশিংনা ৱারৌবা কয়া অমা লৈখিদবা নত্তে। পূম্নমক অঙকপা খোঙচৎ ঙাক্তনি হায়না লৌই। শুমাং লীলাদি মীয়ামগী ৱাখল মীৎয়েংদা অমদি পুন্সিরোলদা শাদোংবা মখলগী লীলা পুথোকপা হায়বসি য়াম্না চুশিন্নে।

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা পোলিটিক্স হায়বসি য়াম্না মরু ওই। পোলিটিক্স য়াওদনা হীরম অমত্তদা দিভেলপমেন্ট পুরকপা য়াদে। পোলিটিক্সনা লো শেম্লিবনি, লোদুনা এক্ট ওল্লগা মীয়ামগী থবক তৌগদৌরিবনি। ইন্দিভিজুএল মীওই অমগী মনাক ফাওবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙলক্কদৌরিবনি, মসি পূম্নমকশিং অসি পোলিটিকেল ওইবা দিসিজন অমনা লৌরক্লিবনি। অদুগুম্লবা মরু ওইখ্রবা পোলিটিকেল পৱর অদুনা মরাই চাইথরকপা, মায়কৈ লান্না শীজিন্নরকপা তারবদি খুন্নাই অমদি মীয়ামদা করি ওইরকপা য়াই? হীরম অসোমদা মীৎয়েং থম্বা লীলা কয়া অমসু ফেমিলিদা লোকেলিটিদা পুশিন্দুনা ৱারী শেমগৎতুনা মদুগী নাকোয়নবা অমদি শাগোন্নবা ক্রিটিসিজম কয়া পীবা লীলা কয়া অমা তৌরকখি। এদ্যুকেসন হায়বা অসিসু খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। এদ্যুকেসন সিষ্টম, এদ্যুকেসন পোলিসি অমনা খুন্নাই অমবু পুহন্নিংবা মায়কৈ অমদা পুবা য়াই হায়বসিগী মরমদা লীলা কয়া তৌখি। অসুম্না, ইকোনোমিগী, টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিগী মতাংদা কলচরেল ইন্টিগ্রিটি পুশিন্দুনা করম্না অচেৎপা লিক্লম অমদা চৎপা য়াগদগে হায়বা মখলগী লীলা কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামদা য়েংহনখি। অদুগা শুমাং লীলা হায়বসি কয়াদা লুখ্রবা ৱাখল্লোন চেনবা মখলগী পার্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম অমনো? মসিবু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবনা খুন্নাই অমদা কয়া য়াম্না কান্নবা পীগদগে হায়বা অসি খন্নফম থোকই। ঙসিদি শুমাং লীলাগী মশক্তা করি করি হোংলবগে, লীলা তৌরিবশিংনা করম্বা মীৎয়েং অমদা য়েংলিবগে হায়বা অসিসু নৈনফম থোক্লি।

মতাং অসিদা থমজনীংলিবসি, অনৌবা শুমাং লীলা ইবিগদৌরিবশিংগী অচেৎপা ফিরেপ অমা লৈফম থোকই। ফিরেপ অসি লীলাগী পার্টি অদুগা ৱাখল ফাওদোক্লবা অমা চঙই। লীলা অমদা ইমোসনেল এটেচমেন্ট কয়া য়াম্না ফংগনি, ৱারী অদুনা মীয়ামদা নোকহনগদ্রা, কপহনগদ্রা, করি ফাওহনগদগে হায়বা মেলো দ্রামাটিক ষ্ট্রকচর রোম খক্তদা মীৎয়েং থম্বা অসিসু খন্নফম থোকই। লানফমদা চঙলিবা লান্মী অমনা মহাক মশানা পীরিবা খূৎলায় অদুগী মতিক ময়াই অমদি মতিক মঙম কয়া অদু মশক মুন্না খঙফম থোকই। নৎত্রবদি খূৎলায় অদু মপূং ফানা শীজিন্নফম চুম্না শীজিন্নবদা খুদোং চাদবা কয়া থোরক্কনি। খূৎলায় অমনা কয়া য়াম্না কান্নবা পীবগে হায়বা খঙদনা খূৎলায় পায়রবদি খূৎলায়দুগী কান্নফম লৈরোই। অদুগা খূৎলায় খুদিংমক মীবু মাঙহন্নবা ঙাক নত্তে। মীবু কন্নবা, লৈবাক্কী অমদি কাঙলূপ ফুরুপ্পুগী ইন্টিগ্রিটি কনবদা মরম চানা শীজিন্নগদবনি। মরম্নু চারবদি শুরি মচা অমনা মী অমগী থৱায় কনবসু য়াই, মী অমগী থৱায়বুসু লৌবা য়াই। ●

# ঈচাওদু নত্তে, ঈচেলদুনি

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বসি ঈশিং ঈচাওগুম খঙহৌদনা মায় পাকপা তুং কোইদে। তুং কোইনা মায় পাকপা হায়বসি তুরেলগী ঈচেলগুম তপ্না তপ্না মতম শাংনা চেন্থদুনা পন্থুংফম ঈপাক য়ৌবদুনি। ঈশিং ঈচাও হায়বসিদি ঙাইহাক শ্বাই লাউনা মফোং লাঙলম্লগা ঈপাক য়ৌদনা ঈচেল লমখাংদা লোইখিবনি।

তুরেল অমগী পন্থুংনা সমুদ্র ঈশিং ঈপাক্তা য়ৌরুনবা চেন্থবগুম ঐখোয়গী পুন্সিসু ঐখোয়না য়ৌনীংবা পন্থুং য়ৌনবা পুন্সিগী হিনাওবু হোন্থদুনা চেন্থে। খোঙচৎ অসিদা করিগুম্বদা য়ৌনীংবা তোর্ব্বান্দা য়ৌরুই অদুগা করিগুম্বদনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ থেংনদুনা অৱাবা থেংনৈ। অসুম্না য়ৌনীংদবা তোর্ব্বান্দা থুংলুবদা মখা তানা অমুক চেন্থবা ঙম্লরোই খন্দুনা পুন্সিগী ঈচেল চেন্থবা লেপ্পবদি পুন্সিদা য়ৌনীংবা পন্থুং খক য়ৌবা ঙম্লোই।

করম্বা তুরেলগী ঈচেলনা, করম্বা পুন্সিগী ঈচেলনা য়ৌনীংবা পন্থুং য়ৌবগে হায়বসি ঈচেল ঈচেলদুগী মখা পোল্লি, ঈচেল খরনা ঈশিং ঈচাওগুম খংহৌ হৌরগা তেল্লবা মতমদা ঈচেল লেপখি। অদুগা ঈচেল খরা অমনা পীক্লা হৌজরক্লবসু অতোপ্পা ঈচেল কয়াগা তিন্নদুনা অচৌবা ঈচেল অমা ওইনা অচৌবা ঈশিং ঈপাক্তা তিনলুই। মসিমক ঐখোয় মীওইবগী পুন্সিদসু থোক্লিবনি। ঐখোয় ইতোমতা মায় পাকপা য়াদে, অতোপ্পগী মতেং চঙই।

কনাগুম্বা খরনা মহৈ মশীন তম্বদা নৎত্রগা শান্ন-খোৎনবদা য়াম্না থুনা তম্বা ঙম্মী অদুগা কনাগুম্বা খরনা অদুক হৈথোই শিংথোইবা নত্তবনা মতম চঙনা তম্মী। অসুম্না পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা নৎত্রগা তাঙ্কক কয়াদা য়াম্না হৈথোই শিংথোইবশিং অদুগা চাংদম্নদুনা ঐহাক্তি য়াম্না হৈতে নৎত্রগা তপ্পী খন্দুনা পুন্সিদা মায় পাকপা ঙম্লরোই হায়না লৌবদি য়াম্না লাল্লি। ঙাইহাক্কী ওইবা লমজেল য়াংবনা অতোপ্পদগী মাঙ থাদুনা চেল্লি হায়দুনা লমজেল য়াংবদা অতৈদি পুন্সিদা মায়থীরবনি হায়না লৌবসু লানগনি। পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বসিদি হন্দ্রেদ মিটর য়াঙনা চেনবদু নত্তে লমশাং চেনবা মরাথোন লমজেলদুনি। পুন্সিদা করিগুম্বা অমা তমদুনা মায় পাকপা হায়বসি মতম চঙই, খুদক্তা হেক তম্বা য়াদে।

অদুগা পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বসি মীওই অমনা কয়া য়াম্না শিংই, কয়া য়াম্না য়াঙনা, থুনা তম্বা ঙম্মী, লায়রবা ইনাকখুনবা হায়বসিদসু লৈতে। পুন্সিসিদা মায় পাকপা হায়বসিদি তপকেরা য়াঙগেরা লেপ্পা লৈতনা লমশাং চেনবা ঙম্বা অদুনি। পুন্সিদা পন্থুং য়ৌদ্রিফাওবা তপ্লবসু য়াংলবসু লেপ্পা লৈতনা লমজেল চেন্দুনা মায় পাক্কে হায়রবদি পুন্সিদা য়ৌনীংবা পন্থুং (গোল), মঙলান (দ্রিম) লৈগদবনি। ফংনীংবা মঙলানবু থল্লবা, য়ৌনীংবা পন্থুংবু থল্লবা পুন্সিগী ঈচেলদা ফনা অয়েৎপা, অকায়বা লাকসনু পন্থুং য়ৌনা চেন্থবা শোয়দনা ঙমগনি।

লাইবক থীবদি, নহারোল কয়া অমনা ঙসি ঙসিসি, হৌজিক হৌজিক ওইরিবা মখোয় মখোয়গী পামদবা (ফেল) ঙাইহাক্কী ওইবা ফীভম অদুদা য়েংলগা তুংদা ওইরকপা য়াবা পন্থুং নৎত্রগা মঙলান অদুবু উবা ঙমদে। মরম অসিনা পুন্সিগী ঈচেলদা পন্থুং য়ৌনা চেন্থদুনা অচৌবা ঈশিং ঈপাক্তা থুংলুগে (সক্সেস) হায়রবদি ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা অয়েৎপা, মায়থীবা অসিগী ৱাংমদা ঐখোয়না থমজখিবা মঙলান অদুবু উবা ঙমগদবনি। মঙলান অদুবু ঙাইহাক্কী ওইবা অয়েৎপা, অকায়বশিং অসিগী ৱাংমদা উবা ঙম্লবা, পুন্সিগী পন্থুং শোয়দনা য়ৌবা ঙমগনি। করিগুম্বা অসিগুম্বা পুন্সিগী তাঙ্কক অসিদা মায়থীরে হায়দুনা তুংদসু মায় পাকপা ঙম্লরোই হায়না খন্দুনা মঙজখিবা মঙলানবু কাউথোক্লবা, হোৎনবা লেপথোক্লবা পুন্সিদা মায়থীবা লান্মী হায়বদো ওইগদৌরিবনি।

ঐখোয় খুদিংমক পুন্সিদা মায়থীবা হায়বসি নংগনি। হীরম অমদা হেক্তা ওইবা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা হন্দক পাঙথোকখিবা ইরমদমগী ঐচ এস এল সী এগজাম (ক্লাস তেন) দা মহৈরোয় খরা অমনা টোপ ২০দা মকোক মথং তাদুনা হরাও নুংঙাই ফোঙদোক্নে, লৈঙাক্লা, ক্লবনা তরাম্না ওকপী, ইকায়খুম্নবী, অদুগা খরা অমনা ফর্ষ্ট ক্লাসতা পাস তৌখি, খরা অমনা সেকেন্দ অমদি থর্দ ক্লাসতা পাস তৌখি। অদুবু মহৈরোয় কয়া অমদি পাস তৌবা ফাও ঙমখিদে। মসিদা পাস তৌহৌদ্রে হায়দুনা ঐহাক পুন্সিদা মায়থীরবা মীওই অমনি হায়না হোৎনবা লেপথোকপা তৌরোইদবনি। করিগীদমক পাস তৌবা ঙমদ্রিবনো হায়বগী ৱাহং কয়া, পাউখুম কয়া শোয়দনা লৈরমগনি। শেল লৈতবনা ওইবসু য়াই, য়ূমগী থবক ময়াম অমা লৈবনা লাইরিক পাবগী মতম লৈতবনা ওইবসু য়াই। অনা অয়েক য়াওরকপদগী লাইরিক পাবা ঙমখিদবগীসু ওইরম্বা য়াই। খরা অমনা মমা মপানা হিংনবগী লানফমদা মথৌ চিনখিবনা মচাশিংনা লাইরিক লাইশু তম্বদা য়েংশিনবীবা ঙমদবদগী, নৎত্রগা লাইরিক তল্লি হায়দুনসু শুংহোৎ হোৎনহৌদবদগী পাস তৌরকখিদবা ওইরম্বসু য়াই। গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তম্বনা ওইরম্বসু য়াই। হন্দক্কী ঐচ এস এল সী এগজামদা মণিপুরগী গভর্ণমেন্ট স্কুল ২৮দি মহৈরোয় শুপ্নগী অমমম খক পাস তৌই অদুগা গভর্ণমেন্ট স্কুল ৭৩দনা মহৈরোয় অমা ফাওবা পাস তৌদে হায়না থেংনৈ ওনলাইন ন্যুজতা।

পাস তৌবসু ওইসনু, ফেল ওইবসু ওইসনু, হন্দক চহী ২০২২গী ঐচ এস এল সী এগজাম রিজল্ট অসিনা ঐহাক্কী পুন্সিগী পন্থুংফম লেপ্পবনি হায়না খনবদি লানগনি। মথং চহীগী খন্দুনা ঐখোয় ইশা ইশানা ঙমজবা মওংদা কন্না হোৎনদুনা এগজাম থাগদবনি। লেপ্পু লেপ্তুনা হোৎনরবদি পুন্সিদা মায় পাক্তনীংঙাই মরম লৈতে।

লেপ্পু লেপ্তুবদি পুন্সিদা মায় পাকই হায়বসি ঐহাক্কী পুন্সিগী খোঙচৎতগী খুদম অমখক থমজগে। কুমজা ১৯৯৯দা মণিপুরগী অহানবা ওইনা সিনিয়র মিষ্টর এসিয়া মিংথোল ফংলবা মতুংদা ঐহাক হেন্না চাউবা মঙলান মঙজদুনা মিষ্টর ৱর্ল্ড হায়রিবা মিংথোল অসি ফংনবা কন্না হোৎনখি। চহী ১২ চূপ্না হোৎনদুনা মিষ্টর য়ুনিভর্স ৫/৬ লক শরুক য়াখি অদুবু মায়থীবতা নংখিবনি। চহী ১২ হেন্না মায়থীবা নংদুনসু ঐহাক্লা ফংবা ঙমগনি খন্দুনা মঙজখিবা মঙলান - মিষ্টর ৱর্ল্ড হায়রিবা মঙলানদুদি ঐহাক খক থাদোকখিদে। মতৌ অসুম্না মখা তানা লেপ্পা লৈতনা হোৎনবদগী, হোৎপু হোৎনরবদি, লেপ্পু লেপত্রবদি, তোকথোকপবু তৌদ্রবদি (quit) পন্থুং অদুম য়ৌবগুম ঐহাকসু চহী ১৩ শুরকপদা মিষ্টর ৱর্ল্ড হায়রিবা মিংথোল অসি ফংখিবনি নীংথিজরবা গ্রীসকী Zakynthos city দা। করিগুম্বা ঐহাক্লা ঐহাক্কী মিষ্টর ৱর্ল্ড ফংবগী মঙলান অসি চহী ১২ চূপ্না ফংবা ঙমদ্রে, মায়থীরে হায়দুনা তোক্লম্বা থোক্লবদি ঙসি ঐহাক্লা ৱর্ল্ডগী ওইবা মিংথোল ১২ হেন্না ফংজদুনা মালেমদা ঐহাক্কী ফিদা অমা থাজবা ঙম্লিবসি ঙম্লম্লোইদো।

মরম অসিনা কুমজা ২০২২দা পাস তৌহৌদ্রে, নৎত্রগা মার্ক ৱাংনা পাস তৌরক্তে হায়দুনা মায়থীরে হায়না খল্লোইদবনি নহারোল মহৈরোয়শিংনা। পুন্সিদা অৱাৎপা, অশোনবা, অথিংবা অমদি মায়থীবা কয়া থেংনরবসু হোৎনববু লেপ্তুবা, তোকপু তোক্তুবদি শোয়দনা য়ৌনীংবা পন্থুং য়ৌবা ঙম্মী হায়বসি কাউফদে। ঈচাওদু নত্তে, ঈচেলদুনি। ●